# চাইনিজ সিটি সাংহাইদা অহল ওইরবা মীওই লিশিং কয়া কোভিদ লোকদাউননা চৈথেং পীরে

সাংহাই, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী): চাইনাগী সিটি সাংহাইদা অহল ওইরবা মীওই লিশিং কয়া চয়োল মঙারোম চুপ্পা থম্লক্লবা কোভিদ ১৯ লোকদাউননা অকনবা চৈথেং পীরে হায়রি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মার্চকী অঙনবা শরুক্তা ইনৌ নৌনা সিটি অসিদা কোভিদ লাইচৎ হৌখিবদগী মীওই ৫০০,০০০ হেন্না ভাইরস অসি পোজিটিব ওইখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা সিটি অসিদা থোক্লিবা লাইচৎতা মীওই ৩৩৭ কী পুন্সি লোমখ্রে।

কোভিদ পোজিটিব ওইরবা মীওই ১০,০০০ রোমদি চহী ৮০ হেল্লবশিংনি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

চাইনাগী কোভিদ রুলশিংগী মতুং ইন্না ইনফেক্সন লৈরবা মীওই খুদিংমক নত্ত্রগা ক্লোজ কন্টেক্টশিং তঙাই ফদনা ষ্টেটনা চল্লাইবা ক্বারেন্টিন সেন্টরদা থাগদবনি। অসিগুম্বা সেন্টরশিংদা মীওই চা কয়া পুন্না থমজিনবা অসি তোইনা থোক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ইমেজশিংদা মোৎলবা টোইলেটশিং অমসুং পাথোক্লবা দষ্টবিনশিং য়াওনা অন সেনিটরি কন্দিসনশিং উবা ফঙই।

সাংহাইদা নুপী অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা অসিগুম্বা সেন্টর অমদা লৈরিবা মহাক্কী চহী ৯০ শুরবা মবেম্বোক অদু অন-সেনিটরি কন্দিসনশিংদা ৱানা খাঙলি। মহাক নীংথিনা তুম্বা ফঙদে অমসুং মশানা মশাবু য়েংশিঞ্জদুনা লৈ।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মহাক্না কিরিবদি চহী ৯১ শুরবা অমসুং কোভিদ টেষ্টতা পোজিটিব ওইরবা মহাক্কী মবুবোক অদুসু অসিগুম্বা সেন্টর অমদা থাজিল্লকপা য়াই হায়বসিনি। করিগুম্বা অসিগুম্বা সেন্টর অমদা অহল অদুবু থাজিনবা হায়বসি শিবগী চৈরাক পীবগা মান্নগনি হায়না নুপী অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নুপী অসিগী মতুং ইন্না মহাক্কী মবেম্বোক অদুনা ইমুংদা হান্না নারকখি। ইনৌ নৌনা সাংহাইদা কোভিদ লাইচৎ হৌরকখিবদগী মমাঙদা য়ুমদগী অমুক্তা থোকখিবা লৈত্রবসু অহল নুপী অদু এপ্রিল ১৭ তা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ পোজিটিব ওইরম্মী।

সাংহাই সিটিদা শন্দোরক্লিবা লাইচৎ অদুদা ভিক্তিম অয়াম্বা অহল ওইরবশিং অমসুং মশাদা হেল্‌ঠকী প্রোব্লেমশিং হান্নদগী লৈরবা ভেক্সিন কাপ্তবা মীওইশিংনি হায়না চাইনিজ ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোকখি।

সিটি অদুদা লৈরিবা অহল ওইরবা মীওইশিংগী চাদ ৬২ রোমদমক দব্বল ভেক্সিনেসন তৌরে। চাদ ৩৮ লোম্না বুষ্টর দোজশিং কাপ্লে।

অমরোমদা, চাইনাগী কেপিটেল সিটি বৈজিংদা কোভিদ লাইচৎকী ফিভম লুশিল্লকপা থিংনবগীদমক্তা সিটি অসিনা ইরাই নুমিত্তা অহুম্লক শুবা ওইনা পাক্তক্লনা কোভিদ টেষ্ট পাঙথোকখ্রে অমসুং অহেনবা চেকশিন থৌরাং ওইনা সিটি অসিদা লৈরিবা স্কুল পুম্নমক থিংজিনখ্রে।

অহেনবা রেষ্ট্রিক্সনশিং ওইনা সিটি অসিগী মফম কয়াদা কোর্দনকশিং ইন্সটোল তৌখ্রে।

কোভিদ কেস মশিং মীপায়নিংঙাই ওইবা মওংদা য়াম্বা নত্ত্রবসু বৈজিংনা অতৈ চাইনিজ সিটিশিংদগী হেন্না থুনা অথিংবশিং থম্লকখি। সিটি অসিদা লৈরিবা কোভিদ লাইচৎকী ফিভম মেনেজ তৌবা য়াদে হায়না ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকখি।

চাইনিজ কেপিটেলদা কোভিদ লাইচৎ লাকশিন্নবা ইনৌ নৌনা থম্লক্লিবা রেষ্ট্রিক্সনশিংগী মনুংদা রেসিদেন্টশিংনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চঙলকপা মতমদা মখোয় কোভিদ নেগেটিব ওই হায়বসি প্রুফ তৌবা চঙলি।

লাক্লিবা মে ৫ দগী সিটিজনশিংনা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট শীজিন্নবা মতমদসু মখোয় কোভিদ টেষ্টতা নেগেটিব ওই হায়বসি উৎপা মথৌ তারগনি।

অতৈ লৈবাক কয়াগা খেন্নরিবদি চাইনানা ভাইরস অসিবু লৈবাক অসিদগী মপুং ফানা মুত্থৎনবগী পান্দমগা লোয়ননা জেরো-কোভিদ ষ্ট্রেটেজি অমা চৎনদুনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং অকনবা লোকদাউনগী ফিভমশিংগুম্বা চেকশিন থৌরাংশিং অসিনা ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা মীওই কয়াবু খোইরাং খোইশাওহনখি। সিটি অসিনা পাক্তক্লনা টেষ্ট তৌবা হৌখ্রবা মতুংদা অনৌবা রুলশিং চৎনহনখি।



# ‘মীখলদা মায় পাক্লবদি হিদাক লাংথকশিং হোংহন্নবা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিলিয়ন ১৫০ চাদিং তৌগনি’

কানবেরা, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী): মে ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা মায় পাকপা তারবদি হিদাক লাংথকশিংগী মমল হন্থনবা রুল্লিং কোলিসন্না ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিলিয়ন ১৫০ (য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ১০৫) চাদিং তৌগনি হায়না থাংজ নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, থৌরাং অদুগী মখাদা গভর্নমেন্টনা ফার্মাস্যুটিকেল বেনিফিট স্কিম (পিবিএস) কী মখাদা সবসিদাইজ তৌগদৌরিবা মেদিকেসন পুম্নমক্কী মেক্সিমম মমল প্রেস্ক্রিপসন অমদা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর ৪২.৫০ দগী এ দোল্লর ৩২.৫০ দা হন্থরগনি।

মোরিসন্না হায়খি, মদুদি থৌরাং অদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন মিলিয়ন ১৯ দা খুদক্তা হিংবদা চঙবা মমল হন্থবগী কান্নবা ফঙহনগনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি চহীসিগী বজেটতা হিংবগী চাদিংগা মরী লৈনবা প্রেসরশিং কোকহন্নবা এক্সন লৌখৎপা মথৌ তাই হায়বসি ঐখোয়না খঙনা উৎলি। প্রেসরশিং অদু থাঙ্গৈশেংই হায়বসি ঐখোয়না খঙই। মীয়াম্না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লোইদবা কয়ামরুম লৈ।

তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা হিদাক লাংথকশিং শীজিন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংদা পুকচেল চাওনা মতেং পাঙবা অসিনা সেফতিগী কন্দিসন হেনগৎহনগনি। প্রেস্ক্রিপসন খুদিংগী নন-কন্সেস্নেল পেমেন্টদা এ দোল্লর তরা হন্থহনবা য়াগনি।

ওপিনিয়ন পোলসকী মতুং ইন্না কেম্পেইন মনুংদা কোলিসন্না ওপোজিসন লেবর পার্টিগী মায়োক্তা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিনবা ঙমখিদে। লেবর লিদর এন্থোনি অলবানিসনা থাংজ নুমিত্তা ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া (দব্লিয়ুএ) দা কেম্পেইন হৌখি। মদু পার্টিগী ওফিসিএল কেম্পেইন হৌগদবা নোংমা মাঙওইননি।

থাংজ নুমিত্তা মহাক্না রোবোদেপ্ট স্কিমগী মতাংদা রোয়েল কম্মিসন অমা লেবর গভর্নমেন্টনা শেমগনি হায়না মহাক্না মীয়ামদা থাজবা পীখি। স্কিম অদু ৱেলফেয়ের রিসিপেন্টশিংদগী শেন্দোলশিং রিকোভর তৌনবগী ওটোমেটেদ গভর্নমেন্ট সিষ্টেম অমনি। মদু অনলোফুল ওই হায়না কুমজা ২০১৯ দা কোর্টনা রুল্লিং পীখি।

রোবোদেপ্ট লোঞ্চ তৌখিবা মতমদা সোসিএল সার্ভিসকী মিনিষ্টর মোরিসন্না স্কিম অদুগী মতাংদা মহাক্কী থৌদাং অমত্তা লৈতে হায়না কন্না ফোঙদোকখি।

অলবানিসনা মদু গভর্নমেন্ট অসিনা থোকহনখিবা হ্যুমেন ট্রেজেদি অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

শেন্দোল শিংবা ঙম্বগী ফিভম লৈত্রবা ওষ্ট্রেলিয়নশিংগী মায়োক্তা চৎনবা য়াবা পাম্বৈশিংনা শেন্দোল লৌখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা গভর্নমেন্টনা অলগোরিথমশিংদা ওইনা য়ুস্ফম ওইহন্নবা হোৎনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।



## ইম্মর্জেন্সি লৌথোক্লবা তকশিনখ্রে

খার্টুন, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী): ফ্রান্স, জমর্নি, নোর্ৱে, য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ওফিসিএলশিংগী ওইবা দেলিগেসন অমনা সুদানগী ওথোরিটিশিংদা ইম্মর্জেন্সি লৌথোক্লবা তকশিনখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা খার্টুনদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা দেলিগেসন অদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টিগ্রেটেদ ট্রাঞ্জিসন এসিষ্টেন্স মিশন ইন সুদান, অফ্রিকান য়ুনিয়ন, ইন্টর-গভর্নমেন্টেল ওথোরিটি ওন দিভলপমেন্টনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা পোলিটিকেল প্রোসেসতা য়ান্নখিবা মতুং ইন্না সিভিলিয়ন ট্রাঞ্জিস্নেল গভর্নমেন্ট অমা লৈহন্নবগী মায়কৈদা খুদক্তা মায় ওনশিন্নবা আপিল তৌখি। সুদানগী শেল থুমগী ফিভম থুনা শোকচিল্লকপা অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হৌজিক মায়োক্লরিবা শীংনবশিংগী মতাংদা দেলিগেসন অদুনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। মখোয়না খুদোংচাদ্রবা মতমদা সুদানগী মীয়ামদা মখা তানা হ্যুমেনিটরিয়ান অমসুং অতৈ মওং কয়াদা হকথেংননা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীখি। শেন্দোং কোকহনবা য়াওনা সুদানিষ্ট গভর্নমেন্টদা মালেমনা শেল থুমগী মতেং পাঙবা হায়বসি চৎনবা য়াবা সিভিলিয়ন গভর্নমেন্ট অমা লিংলবা মতুংদতা ওইথোক্কনি হায়রদুনা করিগুম্বা মসি নত্তবা তারবদি সুদান অসি ৱার্ল্ড বেঙ্কতগী ফঙবা য়াবা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা তেঙবাংগী শেনফমদা য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন কয়া অরেম্বদা ফঙদনা তোল্লগনি হায়নসু দেলিগেসন অদুনা ৱার্নিং তৌখি। সুদানিষ্ট আর্মদ ফোর্সেসকী আর্মদ কম্মান্দর অপদেল ফত্তাহনা কুমজা ২০২১ গী ওক্তোবর ২৫ দা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখিবদগী সুদানদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্তুনা লাকখি।

# কাবুলদা লৈবা মোস্কতা বোম পোকখায়হনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিখ্রে, ২০ শোক্লে

কাবুল, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী): মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রমাদান মনুংদা অফঘানিষ্টানগী লাই খুরুম্ফমশিং অমদি সিভিলিয়ন ফেসিলিটিশিংদা টার্গেট তৌদুনা পরিংনাইনা চত্থরকখিবা এটেক্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা কাবুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মোস্ক অমদা মতিক ময়াই লৈবা বোম অমা পোকখায়রকপদা য়ামদ্রবদা মীওই তরা শিখ্রে অমসুং মীওই ২০ না অশোক অপন নঙখ্রে।

অফঘান ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী দিপ্যুটি স্পোক্সমেন বেসমুল্লাহ হাবিবনা হায়খি, মদুদি বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু ইরাই নুমিত্তা লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা নোংচুপ থংবা কাবুলগী খলফা অগা গুল জান মোস্কতা থোকখিবনি।

রমাদানগী অরোইবা ইরাই নুমিৎ অদুদা লাই খুরুমগদবা মীওই চা কয়ানা লাইশোল পাঙথোক্লবগীদমক্তা পুনখি অমসুং মোস্ক অদু মীনা থনখি।

মশাগী চহী ৩০ খরা হেল্লবা ৱাহীদ কৌবা অফঘান অমনা হায়খি, মদুদি মহাক্না য়ুম য়ৌবা মতমদা বোম পোকখায়বগী মখোল তাখি অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা অদু মফম অদুদা লৈ হায়বা খঙবগা লোয়ননা খুদক্তা মোস্ক অদু তম্না চেনশিনখি। বোম পোকখায়রবা মতুংদা মোস্ক অদুদা উবা ফঙলিবা মীশি মীনাশিং, কপ লাউ খোঙবগী শক্তমশিং মহাক্না নীংশিংখি। অশোকপা কয়া এম্বুলেন্সশিংদা পুবদা মহাক্না মতেং পাঙখি। মীপুম খুদিংমক হকচাংগী শরুকশিংদা ঈখেং তৈবা উখি অমসুং কপ লাউখি।

ঐহাক্কী ইনাও অদু ব্লাষ্ট অদুদা অশোক অপন নঙলে হায়না মীওই খরনা ঐঙোন্দা পাউ পীরকখি। সাইট অদুদা এম্বুলেন্স কয়া থোমজিন্নখি হায়না ৱাহিদনা মখা তাখি।

মোস্ক অদুগী মকোক ওইরিবা সায়েদ ফাজিল অগানা হায়খি, মদুদি সুইসাইদ বোম্বর ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই অমনা সার্ভিস অদুদা য়াওশিন্দুনা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হনখিবনি হায়না থাজনখি।

অমুবা মৈখু মপৈশিং মফম কয়াদগী কাখৎলকখি। মোস্ক অদুগী মফম খুদিংমক্তা অশিবা হকচাংশিংনা চাইখি। শিরিবশিং অদুগী মনুংদা মহাক্কী মরি-মতা অমদি ইমুং মনুংশিংসু য়াওখি। ঐহাক ইশা হিংহৌরবসু ইমুং মনুংশিং ব্লাষ্ট অদুদা শিখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এটেক্ট অদু খুদক্কী ওইনা গ্রুপ নত্ত্রগা মীওই অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে। মতমদুদা মোস্ক মনুংদা লৈখিবা নুপা অমনা হায়খি, মদুদি অচৌবা ব্লাষ্ট অদু বিল্ডিং মনুংদুদা পোকখায়রকখিবনি মদুদা মহাক্কী মখোঙ মখুৎশিং ফিভম থিনা মৈ চাকখি। মোহম্মদ সাবির কৌবা মফম অদুগী মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা ব্লাষ্ট অদু অদুক্কী মতিক মখোল থোকখি অমসুং ঐহাক্কী নাকোং দ্রমশিং চেকখায়রব্রা হায়না খনখি।

দাউনটাউন কাবুলদা লৈবা ইম্মর্জেন্সি হোস্পিটালনা ফোঙদোরকখিবদা ফেসিলিটি অদুদা পেসেন্ট ২১ লায়কন্নখি অমসুং মীওই অনী মফম অদুদা থুংবগা শিখি হায়খি।

অতোপ্পা হোস্পিটাল অমগী ৱার্কর অমনা ফোঙদোরকখিবদা মফম অদুদা অশোকপা ভিক্তিম ৪১ অমসুং হকচাং মঙা পুরকখি। পেসেন্টশিংদুগী মনুংদা তরাগী ফিভম লুনা লৈ।

চৈরকসিদা টালিবানগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা জাবিহুল্লা মুজাহিদনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা ব্লাষ্ট অদুবু কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা চেন্নবা মীওইশিং থিদোক্তুনা চৈরাক পীগনি হায়খি।



# কিভ ওব্লাষ্টতা হকচাং ৯০০ গী অচৌবা মোঙফমশিং থেংনরে: য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকি

কিভ, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী): কিভ ওব্লাষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অশিবা হকচাং ৯০০ গী অচৌবা মোঙফম থেংনরে হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী কিভ ইন্দিপেন্দেন্টনা মমাঙদা রিপোর্ট অদুদা হায়খি, মদুদি কিভ ওব্লাষ্টতা মীওই ৯০০ গী অচৌবা মোঙফম অমা থেংনরে হায়না য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্টনা লাউথোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং মদুগী মতুংদা মেদিয়া আউটলেট অসিনা করেক্সন অমা ইস্যু তৌখি অমসুং জেলেন্সকিনা পল্লিবদু কিভ ওব্লাষ্টতা লৈবা তোঙান তোঙানবা অচৌবা মোঙফমশিংদা লৈরম্বা হকচাংশিংগী অপূনবা মশিংনি হায়খি।

মেদিয়া আউটলেটকী রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা রসিয়ন ট্রুপশিংনা লমদম অদুদা মীচম চা কয়া হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা চীফ ইন্দিপেন্দেন্টকী রিপোর্টতা রসিয়ন মিসাইল অহুম্না কিভ ওব্লাষ্টতা হিট তৌখি হায়না পনখি। কিভ ওব্লাষ্ট মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক অলেকসেন্দর পাব্লয়ুক্কী মতুং ইন্না মিসাইলশিং অদুনা কিভ ওব্লাষ্টকী ফাষ্টিভ সিটিগা নক্লবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর সাইটশিংদা হিট তৌখি।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনগী বোরোদিনকাদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিবা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা হৌজিক চত্থরিবা লান অদু মরম ইচা চাদবা লান ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ৱাখলদা মহাক্কী ইমুং অদু লান অদুদা মাঙ তাক্লবা কাশিংগী মনুংদা অমদা লৈরিবনি হায়না খল্লি। অসিগুম্বা ফিভম অদুদা ঐহাক্কী ৱাখলদা ঐগী ইসুশিংনা মীপায়দুনা চেন্থোক্লবগী শক্তম উবা ফঙই। মসিগা লোয়ননা ইমুংগী মীওই কয়াসু লান অদুদা শিবগী শক্তমসু ৱাখলদা উবা ফঙই। লান অসি ২১ শুবা চহীচা অসিদা খ্বাইদগী মরম চাদবা, শোক্লফম থোক্ত্রবা লান অমনি। লান হায়বসি তশেংনা ফত্তে হায়না গুটরেজকী ৱারোল পল্লদুনা য়ুক্রেনদা লৈবা য়ুএন ওফিস ফোর ডিকোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ান ওফিসনা ফোঙদোকখি।

য়ুএন চীফ অসি মোস্কোগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা য়ুক্রেনদা থুংখি। ত্বিটর পোষ্ট লমদা য়ুএন চীফ অসিনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনদা পীবা হ্যুমেনিটরিয়ান সপোর্ট হেন্না চাওথোকহন্নবা মহাক্না মখা তানা হোৎনখিগনি অমদি কনফ্লিক্ট জোনশিংদগী মীচমশিং হোন্দাক্লবসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগনি।

পনবা য়াবদি ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লোঞ্চ তৌখিবা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসন অদুবু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মরম চাদে অমসুং কায়হৌরুবা য়াওদনা অকন অরিং শিংবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মসিনা মরম ওইদুনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মোস্কোগী মায়োক্তা অকনবা শেল থুমগী অথিংবশিং থমখ্রবনি।



## IN THE COURT OF L.D. DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST, MANIPUR

**O.S. (G&W) Case No. 2 of 2022.**

Lourembam Sunita Devi.

...Plaintiff

Versus

1. Lourembam Sarju Devi and 3 (three) others.

...Defendants

To,

Notice to All the Interested person(s)

Whereas, the above named plaintiff has instituted a suit against you U/S 7 of the Guardians and Wards Act 1890 for appointment and declaration of Guardian for the welfare of a minor namely Lourembam Cameroon, S/o Late L. Jayantakumar Singh of Singjamei Makha Keibung Oinam Leikai, Langthabal, Imphal West District, Manipur as such, you are hereby summoned to appear before this Court on 11th May, 2022 at 10.30 O'clock in the forenoon either in person or by a pleader duly appointed and able to answer all the claims on your behalf and also to file your written statement. If any, herein without fail (a copy of the suit is also enclosed herewith for your easy reference)

Take notice that in case of your failure to appear on the above mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Signed and sealed by the order of this court on the 28th day of April, 2022.

Seal:-

By: Advocate

Sd/- **Sr. Sheristadar**
District & Sessions Court, Imphal West

HL-P/2390/30,1

## EMPLOYMENT NEWS / থবক কৌজরি

মশাগী চহী ১৮ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা নুপা অমদি নুপীশিংনা apply তৌবীরবা য়াগনি। ফমশিং অদুদি Security, Driver, Helper/M/F হায়রিবা ফমশিং অসি অথুবগী ওইনা কৌজবনি।

Gunman গীদি তলব লিশিং ১১,০০০ দগী হৌজগনি। Cook, Chowkidar, Gardener, Warden, Reception and Office Staff মশাগী Aadhaar Card অমসুং Educational Qualification document support তৌবীরকউ।

Sd/- **Social Security Guard**
Uripok Lai Khurembi
Phone : 7629835413 / 6009600647

HL-P/2519/1

## MANIPUR UNIVERSITY

### TENDER NOTICE

Dated 30th April, 2022

**No.MU/14/ProjectCell/Tender/2019/148:** Manipur University invites sealed tenders from firms for supply of Consumables and Chemicals. Terms & Conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.

**Sd/-**
**Purchase Officer**
**Manipur University,**
**Canchipur**

HL-B/7626/1

## R.C. BOOK LOST

I have lost my original R.C. Book (Smart Card) of Vehicle bearing Registration No. MN01U4060 on the way from Karong Mayai Leikai to RIMS Hospital on the 25th April, 2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Yumnam Raghumani Singh**
Karong Mayai Leikai
# 8575742110

HL-P/1333/1

## নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর

ঐগী য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা 7.5mm চাওবা নুঙ অমা লৈরম্বা অদু সগোলবন্দ খন্নাম লৈরক, আই.টি.আই. মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু), হর্বেল ফিজিসিয়ান স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোননা হপ্তা মরি লায়েংবীবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা নুঙ অদু তাখ্রে মসিদা হরাওমন্দুনা ঐনা ইবুং অসিবু পাউচেগী থোঙদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Diana Ahanthem**
Sekmaijin Maning Leikai

HL-P/2376/29,30,1

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref. : Mut. Case No. 247/SDC/IW(H) of 2022**

Shree Yumkhaibam Indubala Devi, W/o (L) Y. Budhichandra Singh of Malom Tuliyaima Maning Leikia

-Vs-

Shree Late Yumkhaibam Ibohal Singh, S/o (L) Tomboi Singh of Malom Tuliyaima

**NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 29/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 1-Malom Tuliyaima পাট্টা নং 168 (অরিবা) 307/486 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ..... (অরিবা) 483 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.07500 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 08/05/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2317/1

## চহীগী দশা য়েংজরি



অপাইবা দশা, য়েক্লবা, লায়না-তিন্না, থবক-করবার, মহৈ-মশিন, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম পুথবা, য়ুম-ইখোল, লৌ, য়ুম্বাল, নুপী-অঙাং, মচা য়াওদবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, নিশাদা লাইচুবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কিষ্টোননচিংবা, খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপথনা য়েংজরি। লাকপা ঙমদবশিংগী ওনলাইনদসু য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
**(International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7595/10/4-10/5 (alt)

**/অমাংথোঙ অকোয়বদু পোম্বা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কচবা, অমাংথোঙদা চিক্লি নারি তৌরগা লৈবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কল্লাক মরী নাবা অমদি মীৎ তন্দন পাইবগুম তৌরগা কোক ঙাওবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙদা নাবা অমদি শাগৎলকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমা পোল্লম্বা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কচবা অদু খাঙবা ঙমদবদুনা খোৎলুরগনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু তৎপা, খোঙ হাম্বদা তিনকুপ য়াম্না য়াওরকপা, অহিংদা অমাংথোঙ মনুংদগী তিনকুপ য়াম্না থোক্লকপা, অমাংথোঙদা চিক্লি নারি তৌরগা লৈবা, কুইনা ফম্বা য়াদবা, অমাংথোঙদা নাবা অমদি শাগৎপা, খোঙ মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা অকনবতা ওইনা হাম্নগা অমাংথোঙ মনুংদগী খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ অকনবা হামদ্রিমখৈ ফবা, অমাংথোঙ মনুংদা পোম্বা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কল্লাক মরী নাবা অমদি মীৎ অসি তন্দন পাইবগুম তৌরগা কোক ঙাওবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ তোয়না চৎপা, চাবা তুমদবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **N. Premanda Singh**
Kumbi

HL-B/7590/1